থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

কংলবা আশাগী ময়োল চোংহনবা

পুন্সিসি হিংবদা অসুক থীনা ৱাই চিনবা, হিংনবগী লন্বী খুদিংমক অমম্বনা কৃপশিনখিবা, তুংগী লন্বী উরক্তবা, হিংমিন্নরিবা থৱায়শিং হুল্লিবা মিহুল লেপখিদনবা, হাঙলবা চাকখাওগী শরুক খরতসু মেনশিন্নবা চেঙ-হৱাই-থাউ-থুম লৈঙাক্কী ষ্টোক'তা লৈবদু য়েন্থোক্তুনা হোৎনরি। শিন্থা লেপখ্রবা শিনশঙশিং, হান্নগুম শিন্থা পায়দুনা পোত্থোক পুথোকপগী থবক্তুদি হৌজিক হোরেন পাক হৌগনি থাজদে। পৈশিন্দুনা থল্লম্বা অহেনবা চিঞ্জাক (সরপ্লস ফুদ) মপৈসিনা লোইখিবা, মহুৎ শিনজিনহৌনবা পোত্থোক্তুসু লৈত্রবা মতমদুদনা কমদৌবা? মরুপ অমনা হায়রকই, 'পুন্সি লন্বী অসিদা হিংবই, ঙাক্লৌ ওইরম্বা চৈশুদুসু ঙারুবদা তেল্লুগদবা সুম চারবা চৈসু ওইরকপসিদদি চৎকদবা ৱাৎলিবা লন্বী মতেকসিনা করম চৎকদবা... খল্লুবদা ঐহাক য়াম্না ৱায়...। খম থেংনা নীংবা কায়রবা মীওইবা অমগী খোন্থোক্লি। অসিগুম্বা পুন্সি তানফম, পাউদমজরিবা ঐহাক্কী দিকেদ তরুক হেল্লবা খোঙচৎ অসিদা অমুক্তসু থেংনরকখিদ্রি।

ৱারী অসি মখা তানা শারুবগী কান্নদে। পূম্নমক্না খঙলবা-উরবা শক্তম'মক্তনি, তাক্লুদ্র'সু খঙলবা। তোরা-তুনা মাঙ তাক্লবা হৌগৎফম লৈত্রবা ইকোনোমিদুদগীনি, ইন্দিয়নশিংনা হৌজিক হৌগৎনবা শেম শারক্কদৌরিবা। হেনজিন্না খনবা, পঙহায় হায়জিনবা নত্তবা ঐগী অসিগুম্বা ৱাহৈসিদা, পাউদমসিবু তত্তনা পাবীবা কনাগুম্বনসু হায়রকপা য়াওই... 'আশা পীবা, পোজিটিব ওইবা ৱাখল নত্তবা, নেগেটিব ওইবা, তুংলমচৎ উদ্রবা, আশা য়াওদ্রবা ৱা'মক্তা ইরক্তুনা হৌজিক্তি কাখল অসি পানীংলক্ত্রে'...। অৱায়-অখুম তৌনরুবই কান্নদে। অচুম্বা/অশেঙবা/ওইরক্কদবা শক্তমদুদি, মীনা তানীংবা/তানীংদবা, তম্ফম থোকই খন্দুনা তমজবনি। তাবা ঙম্বশিংনা তাসনু। অসি য়ৌনা য়েংহৈদনা শোক্ত্রিঙৈ, ওইরক্কদবা য়েংহৈদবা শক্তমদু ৱাখলনা শাগৎতুনা য়েংবা হৈত্রবা, করম্না প্লান্নিং তৌগনি? প্লান হায়বসি তুংদা ওইরক্কদবা শক্তম অমা ৱাখলনা শাগৎপা/শেমগৎপা অদু নত্তরা? অসি য়ৌনা য়েংহৈদবা, নেগেটিব ওইবা ৱাখলতনা য়োমশিল্লবা তানফমসি, মীওইবগী লোইনাইদ্রবা পুৱারীসিদা মতাং-তাংকক কয়াদা হন্না হন্না থোকখ্রবনি । কোভিদ-১৯ ৱাথোকসিনা অহানবা নত্তে। নাক-য়েৎ, মাঙ-তুং, য়েংলু' খুদিং কনা হন্না উদবা তানফম, লাকখি মাঙলমচৎকী মীরোলদুদসু। ৱারী কয়ানি তাখিবা। ৱারীশিংদুই মরক্তা খনগৎচগে অমখক। হায়বীয়ু - পূক্লিংদা করি ফাওবগে?

মহাক ১৯২১, নবেম্বর ২৬ থাংজ নুমিত্তা, মতমদুগী মদ্রাজ প্রসিদেন্সি'গী মনুং চনবা, কেরলাগী কলিকট (ঙসিগী কোজিকোদ) তা পোকখি। মদ্রাজগী লোয়োলা কোলেজদগী বি এস সী (ফিজিক্স) দিগ্রী লৌখি। গভর্ণমেন্টকী শেন্থং (স্কোলারসিপ) মখাদা অমেরিকাদা চত্তুনা মহৈ মখা তমথখি। মেকানিকেল ইঞ্জিনিয়রিংদা মাষ্টর ওফ সাইন্স, দিষ্টিঙ্কসনগা লোয়ননা মিচিগান ষ্টেট য়ুনিভর্সিটিদা লোইশিনখি। ইন্দিয়াদা হল্লক্লগা, গভর্ণমেন্টকী লৌরুবা স্কোলারসিপ অদুগী লমন কোকথোক্লবা মহাকপু গুজরাটকী কাইরা দিষ্ট্রিক্ট'কী আনন্দ কৌবা খুঙ্গংদুদা লৈঙাক্কী ওফিসর অমা ওইনা মফমদুগী 'দেইরি দিবিজন' (শঙ্গোমগী পোত্থোক) য়েংশিন্নবা চহী মঙাগী থৌ পুনবা থাখি। খম থেংনা নীংবা কায়খি। শাংলবা নীংতম অনে দালন, বৃটিশশিংগী মীওৎ-মীনৈ, লোইখিবদা ঙায়রিবা অনীশুবা লাঞ্জাওগী চৈথেং... অমেরিকান দ্রিম অমা পুরদুনা ঙক্তা টাই পুনবা অচৌবা ওফিসর অমা ওইনা অনানবা টেবলদা ফম্লগা থবক শৃগনি খন্না হল্লকখিবা, ষণবী-ষন্নাও শেন্নদুনা শঙ্গোম শুম্লগা হিংবই লন্বী ওইরিবশিংদুগী মরক্তা পুন্সি লেনবা তাবরা? অহিং কয়া তূমদনা ৱাখল ফুম্বংনরুরগা ৱারেপখি - হয়েং অয়ূক অঙনবদদি লোন্না তূমিন চেনখ্রগে, অমেরিকাদা লাইবক্কী ৱারী ইরুরগে। নুমিত্তুগী অহিংদুদা জৱাহরলাল নেহরু, ভারতবাসিশিংদা পীবা নীংতম্বগী পাউজেলদুগী অহানবা ৱাহৈ পরেংদুনা মাগী ৱারেপ হোংহনখি... 'ঙসি অহিং নোংয়াই চবুক হেক হৌখিবা পুংজা, মালেম পুম্বনা তূমখুন হুল্লিঙৈ, নীংতম্লবা ইন্দিয়া'না অনৌবা পুন্সি অমগীদমক মীকপ থোক্লনি... কুইনা নমথদুনা থম্বীরম্লবা থৱায়সু ৱা ঙাঙলক্লনি'...।

নেহরুগী ৱাহৈ খরদুনা তূমথগে তৌরুরবা থৱায়দু মীকপ থোকহনখি। মহাক্না অমুক মালেমদা অওনবা পুরকখি। লামশিনবীবা ঙম্বরা - নুপা অদু কনানো? মহাক্তুদি কনা নত্তে, ইন্দিয়াদা হ্বাইট রিভোল্যুসন পুরক্লম্বা, মিল্ক মেন ওফ ইন্দিয়া হায়নসু মিঙ্গৌনবা - দাক্তর ভরগীজ কুরিয়ন'নি। অমুল মিল্ক এমপায়র লিংখৎলম্বা 'কুরিয়ন'। ইন্দিয়াদা পুথোক্লিবা শঙ্গোমগী পোত্থোক, ইন্দিয়াগী খোমখাক-লাই চুরবা অঙাংশিংসিফাওবা পীথকপা কোন্ননবা পুথোক্লমদে। নেহরুগী ৱাহৈ খরদুনা কুরিয়নগী থম্মোয়দা অচেৎপা ৱাশক অমা শকহনখি - 'ইন্দিয়া', মালেমদা শঙ্গোম খ্বাইদগী য়াম্না পুথোকপা লৈবাক অমা ওইহনগনি। মথম্মোয়দা শকপনি, ভীস্মগী ৱাশক্কুম মরোল অহুম খঙনবা শকপা ৱাশক নৎখিদে। মহাক্কী বিল্লিয়ন-লিটর-আইদিয়া অদু 'ওপরেসন ফ্লদ' হায়না মিংথোনবা প্রোগ্রাম অমা ওইনা পায়খৎলকখি। মহাক্কী অহানবা খোঙথাংনি- আনন্দ খুঙ্গংগী ষণ লোইবা লৌমীশিংবু কো-ওপরেটিভ ফেদরেলিজমগী ৱাখল চেলহনবা। মরন্নাই শঙ্গোম য়োনবই ৱাখল থাদোক্তুনা মশাগী পোত্থোক খুদিংমক 'গুজরাট কো-ওপরেটিব-মিল্ক-মার্কেটিং ফেদরেসন'দা পুল্লপ পীশিন্দুনা য়োলহনবা। গুজরাট'খক্তদা য়োনবদা শঙ্গোমগী ঈচাও থোক্তুনা ইন্দিয়াগী অতৈ ষ্টেটশিংদসু পাথোরকখি। ষণগী শঙ্গোমখক্তদা তাংজবা পোত্থোক পুথোক্লম্বদগী, হেন্না মরাং কায়বা ইরোইগী শঙ্গোমদগী 'অমুল-মিল্ক-পাউদর' পুথোক্লবা স্কিল অমদি টেক্নোলোজি পুথোক্লকখি। বোম্বে সহরগী শঙ্গোম-সপ্লাই-মার্কেট পায়শিনখিবদুনা ইন্দিয়াগী মনুং অমসুং মপান অনীমক্তা 'অমুল-শঙ্গোম' না মার্কেট মোনোপোলি তৌরকখি। 'অমুল'/'অমুল্য' - গুজরাট মিল্ক-মার্কেটিং ফেদরেসন'না পুথোকপা শঙ্গোমগী পোত্থোকশিংগী ব্রান্দ-নেম অমনি। প্রাইভেট কেপিটেল অমদি কোর্পোরেট-ৱর্ল্ডগী য়ুগ অসিদা কো-ওপরেটিব সোসাইটি অমনা বিজিনেস কম্পিটিসন য়াওবা ঙম্বা 'জি এম এম এফ' মথন্তনি। কোরোনা'না আশাগী ময়োল চাথৎখ্রবা মতমসিদা 'ভরগীজ কুরিয়ন' গুম্বা অমা থোক্লকপা - তঙায়ফদবা অমনি। লেট অজ এক্সপ্লোর দ ক্রিএটিভিটি ইন অজ।

লৌশিং পুক্কে

কা-হেন্না লাইবক খুইবা মীওইশিং এথরোসক্লেরোসিসকী রিস্ক ৱাংনা লৈ

মায় খুইবা হায়বসি চহী য়ামশিল্লকপগী হৌনশানি। অদুবু কনাগুম্বগী লাইবক কা-হেন্না খুইবা য়াওই। কা-হেন্না লাইবক খুইবা মীওইশিং এথরোসক্লেরোসিসকী রিস্ক ৱাংনা লৈ হায়বা নৌনা থিজিনবদগী খঙলে।

এথরোসক্লেরোসিস হায়বসি ঈ উতোংদা মপং-মপং পৈশিল্লকপদগী উতোং খুজিল্লক্তুনা ঈগী ঈচেলদা অকায়বা থোকহল্লকপা থম্মোয়গী লায়না অমনি। খুদোংচাদবা অসি মায়োক্লরবা মীওইশিংদা ওক্সিজেন মরাং কায়না য়াওবা ঈ তোঙান তোঙানবা কয়াৎশিংদা য়ৌরক্তবা মরম্না মখল কয়াগী লায়না ওইরকই।

ঈ উতোংদা মপং মপং পৈশিল্লক্তুনা ঈগী ঈচেলদা অকায়বা থোরক্লবদি কোরোনরি হার্ট দিজিজ ওইরক্তুনা হার্ট এটেক ফাওবা তৌরকপা য়াই। এথরোসক্লেরোসিস ওইহল্লকপগী মরুওইবা মরমশিংদি মৈখু শীজিন্নবা, ঈদা য়াওবা কোলেষ্টরোল ৱাংখৎলকপা, ইন্সুলিন রেজিষ্টেন্স ওইবা, হকচাং লেঙ-ওৎপগী চাং ৱাৎপা, চহী য়ামশিল্লকপা অমসুং ইমুং-মনুংগী ঈ মরীদা থম্মোয়গী লায়না লৈবা অসিনচিংবনি।

জর্মনিগী ম্যুনিক্তা পাঙথোকপা য়ুরোপিয়ান সোসাইটি ওফ কার্দিওলোজিগী মীফমদা পুথোরকপা ষ্টদিগী রিপোর্টতা হায়, লাইবক্তা উনসা য়াম্না খুইবা হায়বসি এথরোসক্লেরোসিসকী মরুওইবা খুদমনি হায়না লৌবা য়াই।

ষ্টদি অদুবু লুচিংখিবা ফ্রান্সকী প্রোফেসার য়োলেন্দ ইসক্রিরোলনা হায়, কোলেষ্টরোল ৱাংখৎলকপা নৎত্রগা হাইপরটেন্সন হায়বসি মীৎনা উবা ঙম্বা নত্তে। মরম অদুনা ইরায় লায়না খঙবা ঙমগদবা অতৈ রিস্ক ফেক্টরশিং থিগৎলুবদা লাইবক্কী উনসা খুইবা হায়বসি হার্ট দিজিজগী মরুওইবা রিস্ক ফেক্টরনি হায়বা খঙলকপনি।

মমাঙদা চথখিবা ষ্টদিশিংদা চহী মতাং চাদনা কোক তাঙবা অমসুং পোক হৌরকপা হায়বসিসু হার্ট দিজিজগী মরুওইবা খুদমনি হায়বা খঙবা ঙমখ্রবনি। উনসা খুইবা অমসুং কার্দিওভাস্কুলর দিজিজগী মরক্তা লৈনবা মরীগী মতাংদা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়, উনসা খুইজিল্লকপা অমসুং এথরোসক্লেরোসিস হায়বসি ওক্সিদেটিভ ষ্ট্রেস অমসুং কোলাজেন প্রোটিন লেভেলদা অহোংবা লাকপনা ওইহল্লকপনি। মসিগীসু মথক্তা লাইবক্কী ঈ উতোংশিং য়াম্না কুপ্পনা খ্বাইদগী হান্না অমাঙ অতা থোরকই অমসুং এথরোসক্লেরোসিসকী খুদম উৎথোরকই। মরম অদুনা ঈদা য়াওবা লিপিদ টেষ্ট তৌবা অমসুং ব্লদ প্রেসর ওনবগী মহুত্তা ইচম চম্না লাইবক্কী মওং মতৌ য়েংলগা এথরোসক্লেরোসিসকী রিস্ক খঙদোকপা য়াই হায়না রিছার্সরশিংনা ফোঙদোকখি।

ঈ উতোংদা মপং মপং পৈশিল্লক্তুনা কনশিল্লকপা অমসুং খুজিল্লকপগী থৌওংবু এথরোসক্লেরোসিস হায়না খঙনৈ। থৌওং অসিবু অর্টরিওসক্লেরোটিক ভেস্কুলর দিজিজ হায়নসু খঙনৈ। ফীভম অসি মায়োক্লরবা মীওইশিংদা হকচাংগী মফম শিনবা থুংনা ঈ চেনবা ঙমদে।



হার্টতগী ঈ পুম্নমক অর্টরি ফাওরগা হকচাংগী মফম শিনবা থুংনা চেল্লি। অর্টরিদা য়াওবা অপাবা অমসুং অনানবা সেলশিংগী লায়র অমনা মরম ওইরগা ঈ চেনবদা মতেং পাংশিল্লি। হায়রিবা সেলশিং অদু এন্দোথেলিয়ম কৌই। এন্দোথেলিয়ম অমাঙ-অতা থোক্লবা মতমদা খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা কোলেষ্টরোলনা অর্টরিগী ৱালদা পৈশিল্লক্লবা মতমদা এথরোসক্লেরোসিস ওইরকপনি। মতমদুদা হকচাংগী হ্বাইট ব্লদ সেলশিংনা ঈ উতোংদা নপশিনবা কোলেষ্টরোল শেংদোক্লবা হোৎনৈ। অদুবু করিগুম্বদা হ্বাইট ব্লদ সেলশিং অদুসু কোলেষ্টরোলদা নপশিনখ্রগা মপং ওইনা পৈশিনবদা য়াওখি। মসিনা মরম ওইরগা ঈ উতোং ফুনখিবদগী ঈ চেনবা ঙমদদুনা হার্ট এটেক নৎত্রগা ষ্ট্রোক, কিদনি ফেল ওইবা, এন্যুরিজম অমসুং এরহিথমিয়া ওইহল্লকপা য়াই।

হার্টনা ঈ থাদোরকপা ঙমদবা নৎত্রগা হার্ট য়ৌনা ঈ চেনশিল্লকপা ঙমদবা মতমদা হার্ট ফেল নৎত্রগা হার্ট এটেক তৌরকপনি। ঈ মরাং কায়না ফংদ্রবদি কিদনিসু মথৌ পাঙথোকপা লেপখিবা য়াই। অমরোমদা, ঈ উতোং ফুঞ্জিলকপদগী চাউথোরক্তুনা পোকখায়রক্লগা হকচাং মনুংদা ঈ থোরকপা য়াই। থৌওং অসিবু এন্যুরিজম হায়না খঙনৈ। ঈগী ঈচেলনা ব্রেন য়ৌবা ঙমদ্রবদি ব্রেনদা ওক্সিজেন ৱাৎলক্তুনা ব্রেনগী সেলশিং শিখি অমসুং ষ্ট্রোক তৌরকই। ঈগী ঈচেলদা অপনবা থোক্লবদি এরহিথমিয়া হায়না খঙনবা থম্মোয়গী মিহুল তান্থা কায়রকপগী থৌওং অমসু ওইহল্লকপা য়াই।

ওইহল্লকপা য়াবগী মরুওইবা রিস্ক ফেক্টরশিংদি মৈখু শীজিন্নবা, ব্লদ প্রেসর ৱাংবা, ঈদা য়াওবা চিনিগী চাং ৱাংবা, নুংশিৎ মোৎশিল্লকপা, হকচাং লেঙ-ওৎপগী চাং ৱাৎপা অমসুং ইমুং-মনুংগী ঈ মরীদা লৌনরকপনি।

মাঙজৌননা ঙাকথোক্লবগী মতাংদা লৌখৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাংশিংদি চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌবা, মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চাবা, তূম্বা য়াহৌবগী মতম নাইবা, ৱাখল চরাংনহন্দবা, মৈখু শীজিন্নবগী হৈনবী থাদোকপা অমসুং ময়াই কাবা চীঞ্জাক শীজিন্নদবা অসিনচিংবনি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাল্লি

নোংথোংবম নরেন্দ্র, খাবম মনিং লৈকায়

গ্রিন জোন ওইরম্বদগী হৌজিক মণিপুরদা তপ্না-তপ্না কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মীওইগী মশিং হেনগৎলক্লি। ঙসি ফাওবদা ষ্টেট অসিদা পুন্না পোজিটিভ কেস ৩২ শুখ্রে। মপান্দগী চঙলকপা মীওই কয়ামরুম পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনরে। করিগুম্বা চেকশিনহৌদবা মীকুপ অমদা হান্না লৈজরম্বা মরিপুরীশিংদসু লায়না অসিনা শন্দোরক্লবদি খুদোংথিনিংঙাই ওইবা ফীভম ওইরকপা য়াই। মরম অদুনা লেপ্পা লৈতনা ফ্লাইট, ট্রেন অমদি বাই রোদতা লাক্লিবা মীওইশিংবু মণিপুর চঙলমদাই মতমদা মপুংফানা টেষ্ট তৌদুনা চপচাবা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎপীরগা চঙহনবিরক্লবদি পূম্নমক্কী য়াইফবা হায়বদু ওইগনি। লোয়ননা হৌজিক মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা হাংদুনা লৈরিবা ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা তোঙান-তোঙানবা প্রোব্লেম কয়া অমসু থোরক্লি। হীরম অসিগী মতাংদসু লৈঙাক্না য়াম্না কুপ্না য়েংশিনহন্নিংই। চিরবা মতম অসিদা লৈঙাক্তা পুল্লপ ইন্থোকপগী মহুৎতা লৈবাক মীয়াম্নসু মতেং পাংদুনা লায়না লায়চৎ অসি থেংনবদা অচৌবা থৌদাং লৌবগী তঙাইফদবা লৈ। মপান্দগী হল্লক্লবা মতুংদা ক্বারন্টিন তৌরগা লাকপা মীওইশিংদা খুন্নাইনা তোখায়বা মীৎয়েংনা য়েংদুনা ইমুং-মনুংদা মতেং পাংদবগী থৌদোক কয়া অমসু থোক্লি। মরম অদুনা ৱারবা মতম অসিদদি অমনা অমগী মতেং পাংনবা তঙাইফদে হায়জনিংই।



দেনি মাইবম, নম্বোল

কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ অসিনা নাবা মীওইগী মশিং লমদম অসিদসু হেনগৎলক্লি। লায়না অসি পাকশন্না শন্দোরক্তনবা ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনগী চৎনকাংলোনশিং অমদি লৈঙাক্না লৌখৎলক্লিবা চেকশিন থৌরাংশিং ঙাক্না চৎপনা লায়না অসিদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি। লোয়ননা থবক শুফম-নোমফম লৈতবনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং লৈবা ঙম্নদ্রে। লৈঙাক্না চেং খরা য়েন্থোকখিবা অদুগী মথক্তা ৱারবা লৈবাক মীয়ামগী খন্দুনা অখন্নবা তেংবাং পীবগী তঙাইফদবা লাক্লে। পুক হাংলবদি কোরোনাভাইরসসু কিনরক্লরোই। মরম অদুনা লৈঙাক্না হৌজিক-হৌজিক্কী ওইনা মীপুম খুদিংমক্তা চান-থক্লবগী মতেং পাংবগী থৌরাং লৈত্রগসু ঙসিগী ওইরিবা ফীভম অসিদা লমদম অসিগী কা হেন্না ৱারবা ইমুং-মনুংশিংগী মীওইদা চান-থক্লবা মতেং পাংহন্নিংই। চানিংঙাই-থক্লিংঙাই লৈশিল্লক্তবনা ৱারবা ইমুংশিং থবক শুনিংদবগী ৱাফম নত্তে। থবক শুফম-নোমফম লৈতবনা ফীভম অসি ওইরকখিবনি। লৈঙাক্না হীরম অসিগী মতাংদা খন্নবিদুনা মতেং পাংনবা থৌরাং তৌবিয়ু।

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

'কম্যুনিতি ক্বারন্টিন সেন্টরশিং হোটস্পোট ওন্থোক্কদৌরব্রা'

ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচ এন এস) : কম্যুনিতি ক্বারন্টিন সেন্টরশিং হোটস্পোট ওন্থোক্কদৌরব্রা হায়না এক্স এম এল এ এল ইবোমচানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, য়ু পি অমসুং উট্টরাখন্দদগী থোক্লকপা মীওই ১০২ রোম লিলোং হাউরৈবী কোলেজগী বোইজ অমসুং গর্লস হোষ্টেলদা কম্যুনিতি ক্বরন্টিন সেন্টর অমা ওইনা য়াম্না ফিভম চাদনা থল্লি হায়না সোসল মিদিয়াদা থাগৎনরক্লি। লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওথোরিটি অমত্তনা লাত্তুনা য়েংদ্রি। সেনিটাইজ তৌবদি লাইরদনা থক্লবা ঈশিং, চান-থক্লবচিংবা অমত্তা থৌরাং তৌদ্রি হায়রি।

লৈঙাক্না লাউথোকখিবা ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা লৈরিঙৈ মনুংদা নোংমদা লুপা ২০০ পীগনি হায়খিবা অদুসু পীদ্রি। করিগুম্বা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মীৎয়েং চংদ্রবদি ক্বারন্টিন সেন্টর অসিদা লৈরিবা মীওই ১০২ ময়ুম ময়ুমদা হল্লগনি হায়না সী এমদা অল্টিমেটমসু পীখ্রে হায়বা ৱাফম লাক্লি। মসি মণিপুর লৈঙাক্কী য়াম্না অশোইবা অমনি। মপান্দগী হল্লকপশিংনা ক্বারন্টিন সেন্টরদা লৈরিঙৈদা থৌওইবীদবগী খদম অমনি। করিগুম্বা টেষ্টিং তৌদনা ময়ুমদা হনখ্রগা পোজিটিভ ওইবা মীওই য়াওরম্লবদি মণিপুরগী ওইনা লাইবক থিবা ওইগনি। তুংদা অচৌবা ইরাংসু থোক্লকপা য়াই।

মপান্দগী চংলকপশিংনা ক্বারন্টিন সেন্টরদা চংলমদনা লোন্না ময়ুমদা লৈরম্বা থেংনরবদি জেলদা থমগনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকপা লৈখ্রে। ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা মীওই ১০২ অসিনা টেষ্ট তৌদনা ময়ুমদা হন্নখ্রবদি কনাবু জোলদা থমগদৌরিবনো

মণিপুর লৈঙাক্না মপান্দগী হল্লকপা মীওইশিংদা ক্বারন্টিন সেন্টর মনুংদা লৈরিঙৈদা মী অমদা নোংমদা লুপা ২০০ পীগনি হায়না লাউথোকপসি য়ম্না ঙকপা ফাওই। ঈশিং খৌরাঙ্গনবা মীওই ওইরবদি লুপা ২০০ অদুনা নোংমগী মিনরেল ৱাটর বোট্টল লৈরগা থকপা ফাওবা কোন্নরোই। ঈশিং পীদবনা অরৈবা ঈশিং শীজিন্নবা তাবনি। অতোপ্পা ক্বারন্টিন সেন্টর খরদদি নোংমদা লুপা ৫০০ হেন্না চংবা চানবা পোৎলম পীবসু য়াওই। কম্যুনিতি ক্বারিন্টিন সেন্টরদা লৈরিবা মীওইশিংদা চান-থক্লবা অমদি অতৈ খুদোংচাবা কয়া শীল্লিবা মওং অসি মণিপুর লৈঙাক্কী দিসক্রিমিনেটরি ওইবা থৌশিলনি। ক্বারন্টিন সেন্টরশিংবু পোলিটিকেলগী খুৎলায় ওইনা শীজিন্নবা অসি য়ুম্লান্নবা ষ্টেট অমত্তদা থোকক্তে।

থা অসিগী ২০দা য়ুনিয়ন দোন্নর মিনিষ্টরনসু লাইচৎ অসি থেংননবা সেন্টরনা মণিপুরগী ওইনা লুপা ক্রোর ৮২২ পীখ্রে হায়না পল্লি। ৱাফম অসি মে ২১গী পাউ-চেশিংদা ফোঙনখ্রে। হেল্থ মিনিষ্টরনা কোভিদ-১৯ থেংননবগীদমক ইমর্জেন্সি ফন্দ ওইনা অহেনবা শেনফম লুপা ক্রোর ১০০ মখা তাবা ওইনা পীবিনবা য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্টরদা চে ওইনা ইখ্রে হায়রি ।

শেল ওইনা ট্রান্সফর তৌরম্লবদি মদুগী য়ু সী পীদনা মখা তাবা শেনফম সেন্টরনা পীরক্কদবা মান্দে। পুম্নমক অসি কাউথোক্লগা ষ্টেটকী ফাইনান্সিএল প্রোব্লেম লৈরিঙৈদা অরৈ অরৈবা পুথোক্তুনা মণিপুরগী ক্বারন্টিন সেন্টরশিং অসি মওং তানা চল্লাইনবা লৈঙাক্না শীনবীয়ু। ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা থোক্লক্লিবা কমপ্লেন্ট অমদি প্রোব্লেম কয়া অসি লৈঙাক্না খুৎ থিংজিনদ্রগদি ক্বারটিন সেন্টর খরা হোটস্পোট ওল্লকপা য়াবগী অকিবা লৈরে হায়না মীয়াম্না ঙাংনবা হৌরে হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

হীদাক কাপথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচ এন এস) : কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা লমশাং নগর পঞ্চয়টকী মনুং চন্না লৈবা অপুনবা ৱার্দ ৯গী অকোয়বা মফমশিংদা হীদাক কাপথোকপগী থবক হৌখ্রে

সোসল ৱার্কর কে ঐচ কনবগী মীৎয়েং মখাদা পি ৱাই সী ক্লব, এফ সী ফুটবোল ক্লব, খুদৈবনদনা মণিপুর ফায়র সার্ভিসকা খুৎশম্নরগা লমশাংগী অকোয়বদা হীদাক কাপথোকখি। লমশাং প্রজা হায়স্কুলদা হাংলিবা ক্বারন্টিন সেন্টরগী অকোয়বদসু হীদাক কাপথোকখি। পি ৱাই সী ক্লবগী জেনরেল সেক্রেটরী এস জোনিনা ফোঙদোকখিবদা লোকদাউন অমদি কার্ফিয়ুনা মরম ওইরগা অৱাবা কয়া মায়োক্লরি। মসিদা চান-থক্লবা পোৎলম কয়াসু য়েন্থোকখ্রে। থক্লবা ঈশিংসু য়েন্থোকখ্রে। মীয়ামগী অৱাবা য়েংলগা য়েন্থোক্লিবা অসিগীদমক থাগৎলি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ককচিং এরিয়াদা লৈবা ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা তেংবাংখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচ এন এস) : বোইজ ওফ ককচিং কৌবা ৱাটচঅপ গ্রুপকী মেম্বরশিংনা কোভিদ-১৯ মুথৎনবা চংশিল্লিবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা ককচিংদা লৈবা কম্যুনিতি ক্বারন্টিন সেন্টর ৩, এ সী/এস টি হোষ্টেল ককচিং ৱাইরি, ভিক্টোরি হায় স্কুল ককচিং অমদি গ্রেস কোটেজ একাদেমি ককচিংদা সোদিয়ম হায়পোক্লোরাইদ সোল্যুসন লিটর ৫/৫গা লোয়ননা হেন্দ সেনিটাইজর, গ্লোভ অমদি স্প্রেগী নোজল তেংবাংখ্রে।

বোইজ ওফ ককচিংগী মীহুৎ ডা. টি ঐচ ওজিৎ, সুর্জিৎ ক্ষেত্রিময়ুম, নোংমাইথেম বিক্রম অমদি রাজিবকুমারনা মহুৎ শীন্দুনা ক্বারন্টিন সেন্টর মেনেজমেন্ট কম্মিতিশিংদা পোৎলমশিং অদু খুৎশিন্নখি। তেংবাং খোঙচৎকী শরুক অমা ওইনা ককচিং পুলিস ষ্টেসনদা চৎতুনা ককচিং পি এসকী ও সী অমদি অতৈ পর্সনেলশিংনা শীজিন্ননবা হেন্দ সেনিটাইজর ৪০ অমদি লন্বীদা মথৌ তৌরম্বা পুলিস পর্সনেলশিংদা হেন্দ সেনিটাইজর পীরমখি।

গ্রেস কোটেজ একাদেমি অমদি ভিক্টোরি হায়স্কুল ককচিংগী ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা ইনমেটশিংনা শীজিন্নখিবগী লেমহৌবা সোলিদ ৱেষ্ট কয়া দিসপোজেল তৌফম খঙদবগী মওংদা পৈশিন্দুনা লৈরিবা অসি মরী লৈনবা ওথোরিটিনা য়াম্না থুনা দিসপোজ তৌনবা উপায় থিগদবনি। ক্বারন্টিন সেন্টরগী অকোয়বা মফমশিং অমদি কৈথেলগী মফমশিং চাং নাইনা হীদাক কাপথোকপীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, ককচিং ময়াই লৈকায়দগী ডা. ময়াংলম্বম অঞ্জুতানা ককচিং এরিয়াদা লৈবা ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা পোৎলম কয়া মহাক্কী অপোকপা অমসুং অপোকপীগী খুথাংদা তেংবাংখ্রে। ডা. অঞ্জুতা ককচিং খুনয়াই লৈকায়দা লৈবা ময়াংলম্বম অসোক অমসুং ময়াংলম্বম ওংবী সোবিতা কুমারী অনীগী মচানুপীনি। হৌজিক দিল্লিগী চচা নেহরু বাল হোস্পিটালদা দোক্তর ওইনা থবক তৌরি। কোভিদ-১৯ মায়থীবা পীনবা অনাবশিং লায়েংবগী থবক চথরি। নহা ওইরিবী নুপী মচা অমনা কোভিদ-১৯ মুথৎনবা হোৎনবদা মথৌ পাঙথোক্লিবা মেদিকেল ষ্টাফ অমসুং ভোলুন্টিয়রশিংবু পুক্নিং থৌগৎপা ওইনা ককচিং এরিয়াদা হাংলিবা ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা শীজিন্ননবা পার্সনেল প্রোটেটিভ ইক্যুপমেন্ট খুৎশিন্নখিবনি হায়রি।

ইদউল ফিটরগী খুদোল ওইনা বেঙ্গুন গেট খুৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচ এন এস) : ইদউল ফিটরগী খুদোল ওইনা ময়াং ইম্ফাল এ সীগী বেঙ্গুন্দা লৈবা মুস্লিম ইচিল-ইনাওশিংদা বেঙ্গুন গেট শাদুনা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী দিপ্যুতি স্পিকর কে রোবিন্দ্রোনা খুৎশিন্নখ্রে।

ময়াং ইম্ফাল এ সীগী বেঙ্গুন চংফম মচিলদা ৱেলকম টু বেঙ্গুন হায়না থাবা গেট শেমগৎপগা লোয়ননা ময়াং ইম্ফাল এ সীগী এম এল এ ওইরিবা দিপ্যুতি স্পিকর কে রোবিন্দ্রোনা ঙসি লমদম অদুগী মীয়ামদা খুৎশিন্নখি। গেট অসি দিপ্যুতি স্পিকর মশামক্না শেনফম পুথোক্তুনা শারবা মতুংদা খুৎশিন্নখিবনি।

রমজান থাগী চারা হেন্দুনা মপু মাবু নীংজবগা লোয়ননা পাঙথোক্কদৌরিবা ইদউল ফিটর নংনবা গেট অসি শাদুনা মীয়ামদা শীন্নখি। দাইনামিক য়ুথ ক্লব বেঙ্গুন মনিংনা শীন্দুনা ঙসি পাঙথোকখিবা গেট শীন্নবগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা দিপ্যুতি স্পিকর রোবিন্দ্রেনা হায়খি, ময়াং ইম্ফাল এ সীদা ঙল্লিঙৈ মতমদগী নুংশি-চান্নবা খুন্দামিন্নরক্লবা ফুরুপশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা মুস্লিমশিংগী ওইনা হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা ইদউল ফিটর নংনবা গেট অসি শাবনি। গেট অসি মতম চানা শাবা লোইদুনা মীয়ামদা খুৎশিন্নবা ঙম্লে। ময়াই লন্বীদা লাকপা মতমদা বেঙ্গুন ভিলেজ চংফম অসি ইরাই লাইনা খঙবা ঙম্লগনি। বেঙ্গুন চংফমদা গেট অসি শারবনিনা খুল অসি চংফম খঙহনবদা খুদোংচারগনি। ইদউল ফিটরনা লাকপদা মুস্লিম ইচিল-ইনাওশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরি। ইং তপ্পা নুংশি-চান্নবা পুরকপা ওইরসনু। লমদমসিদা পুন্না হিংমিন্নরিবা ইচিল -ইনাওশিংগী মরক্তা নুংশি চান্নবা হিংমিন্নবা ওইরসনু। ইদউল ফিটর লকপা অসিদা কোভিদ-১৯না নাদবা অমদি হান্না নরম্বশিংসু ফগৎপা ওইরসনু। কোভিদ-১৯ অসি মালেমগী লৈমায়দগী মুৎখিবা ওইরসনু। ময়াং ইম্ফাল এ সী অসি হিরম খুদিংদা চাওখৎপা এ সী অমা ওইহন্নবা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং লেপ্পা লৈতনা পায়খৎকনি। তঙাইফদবা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিংগীদমক অখন্নবা মীৎয়েং চংগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

লমদম অদোমগী খুঞ্জা কয়ানসু গেট অসি শারকপদা নুংঙাইবা ফোঙদোক্লখি। দিপ্যুতি স্পিকর ওইরিবা রোবিন্দ্রেনা মশাগী ওইজবা কয়া থাদোক্তুনা এ সী অসিগী নহা ওইরিবা মীহুৎ অমা ওইনা থবক কয়া পায়খৎলকপা অসি নুংঙাইবা ফাওই। ময়াং ইম্ফাল এ সী অসি চাওখৎলবা এ সী অমা ওইরসনু হায়না ফোঙদোকখি।

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৫।০৫।২০২০ ইং, নিংথৌকাবা;
ইঙাগী ৩ নি পানবা।

মেষ : মরুপ-মপাংগী মতেংনা অফবা মফম ফংজবা, লাইবক ফবা, থবক পাংবা, লল্লোন ইতিক কান্নবা অমদি মীংচৎ হেনগৎপা নুমিৎনি। অঙম্বনদি য়েংশিল্লি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

বৃষ : হরাওবা, মীয়াম উন্নরগা হেন্না হরাওবা-নুংঙাইবা অমদি য়েক্লববু লাইনা লাকশিনবা ঙমজবা নুমিৎনি। লৌশিংনা পাঙ্গল ওইগদবা নুমিৎনি -অচুম্বনা মাঙওইনৌ।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানবী-নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিথুন : ৱাখল নুংঙাইবা, অনৌবা থৌরমদা হেন্না পূক্লিং চংবা অমদি নচাক নরল চাওখৎনবা হোৎনবা কান্নগদবা নুমিৎনি। অদুবু অনম তানবা য়াদ্রি, চরাংগনু ।
লৈশা পাখংশিংগী - হেন্না অশা চাওখিনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

কর্কট : নঙগী ওইবা মীশিং লোয়নবা ফৈ অদুনা মায় পাকপা অমদি মীংচৎ হেনগৎপা ওইগনি। অরং অরাকসু ফংজৌ হায়বা লৈ অদুনা অফবা থবক পাংবা য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - হায়জবা তাবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

সিংহ : পংলদি য়েক্লবা চাওখৎকনি অমদি নচা-ননাইগী লম্‌দা পূক্লিং ৱাবা লৈগনি । পাউ নুংঙাইবা তাগনি, কান্নবসু ফংগনি অমদি অফা অপুন্নবসু কোকচগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি ।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

কন্যা : মীৱা লৌদ্রবা অমদি নোল্লুক্লবু চৎলবদি থবক থৌরমদা মী ফত্তনা মাঙহনবা ঙমলোই অমদি নথক থোংবনা চানবীগনি। মীয়ামগা লোয়নৌ- লন চংগনি ।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

তুলা : অশাওবনা মাঙজবা, মীপাইনিংঙাই ওইবা লৈগনি অদুনা নীংবদুমক পাংগনি খনগনু। য়াইফবা ওইনবা খোঙফম অমা-অনী হন্দোকপা অফবা ওইগনি-কাউগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - মতম ঙাইবা ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/শঙ্গোম।

বৃশ্চিক : অফা-অপুন্নবা লৈরম্বা কোকচরগনি, অরং-অরাক ফংজৌ হায়বসু লৈ অমদি অনীংবা কাংথোকপা য়াগনি। মরুপ-মপাংগা পুন্না পাংমিন্নবা থবক কান্নগনি ।
লৈশা পাখংশিংগী - মরী ফরনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা ।

ধনু : নীংবা থুংগনি, লল্লোন ইতিক কান্নগনি অমদি অশা চাউবগী ওইজবা ফংগনি। নচা ননাইগী লম্‌দা পূক্লিং খজিক ৱাবা অমদি শেল-থুম পনবদি লৈখিগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মীৱা থাজগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মকর : মীচং ফংগনি, ৱাখল থোক্কনি অমদি লল্লোন ইতিক্কী থবক্তা মাঙজিল থাগনি। ঙক কনবা তৌগনু অমদি পাইরক্কী লৌশিং শোনবনা খুদক্কী ৱারেপতি লৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা ।

কুম্বা : পূক্লিং ফাথনা থৌ পাংউ, অনম তানগনু অমদি চিন য়াওগনু। খোইরাংবনা লৈফম খঙদবসু লৈগনি অদুনা য়াকা য়েংনা চৎলু। নথক থোংবগী ৱা তাবা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংবা ৱাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/শঙ্গোম।

মীন : লৌশিং থোক্কনি, ঙাঙথোকপদা মীয়াম্না থোইনা চানবীগনি অমদি মরুপ মপাংশিংনা থাগৎপিবা লৈগনি। য়েৎনবদসু মায় পাক্কনি অমদি থবক্কী পাউ নুংঙাই ।
লৈশা পাখংশিংগী - ওইজবা মাঙগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।